



# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, JANUARY 22, 2018 **PAGE 7**




*ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা এসেস সেরিজগী অহুমশুবা মেটচতা বোল ৮৩ দা রন ১০০ লৌদুনা ইংলেন্দগী মায় পাকহনবগী লম্বেলদা চাউবা মতেং পীখিবা ইংলেন্দগী বেটসমেন জোস বটলর*

*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা স্পেনগী কারেনো বুষ্টাবু থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ক্রোএসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা মারিন সিলিক*

## লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহানবা লেগকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম বেলজিয়মনা ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*টৌরঙ্গা, জনুৱারী ২১ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টকী টৌরঙ্গাদা লৈবা ব্লেক পার্ক ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অহানবা লেগকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অদুবু বেলজিয়মনা পাঙ্গল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দদা ইন্দিয়াবু বেলজিয়মনা পাঙ্গল ২–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা অতোপ্পা টিম অনী য়ুম্বু ওইখিবা ন্যু জিলেন্দ অমসুং জপানবু মায়থিবা পীদুনা টিম ৪ গী মনুংদা বেলজিয়মগী মথংদা খ্বাইদগী ফজবা টিম ওইদুনা ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদু শান্নরকপনি।



*ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়মনা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টকী অহানবা লেগকী ফাইনেল শান্নখিবা*

মেটচ অদুগী হৌরকপা মিনট ১৫ গী অহানবা ক্বার্টরগী মরিশুবা মিনটতা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী টোম বুননা পাঙ্গল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচ অদুদা মিনট ১৫ গী ক্বার্টর ৪ শান্নবগী ফোর্মেট অদুগী অনীশুবা ক্বার্টরদা বেলজিয়মনা চনশিনখিবা পাঙ্গল অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসরগা লোয়ননা পাঙ্গল হন্দোক্কবা হোৎনরকপা অদু মায় পাকপা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী ১৯ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মন্দিপ সিংহনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা লেগকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়ম পাঙ্গল ১–১ দা লৈদুনা য়াম্না লেঙ মান্নবা মওংদা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ এটেক ঙন্না চংথবা ঙমখিবা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী সেবেসিয়ান দোকিয়রনা শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াবু ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদুগী লেমহৌবা পুংখায় অমরোমগী মতম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা শোথখিবা পাঙ্গল অদু হন্দোক্লবা মখোয়গী মায়কৈগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু বেলজিয়মগী দিফেন্দরশিংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু পেনাল্টি এরিয়া য়ৌহন্দনা ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা লেগকী ফাইনেল মেটচ অদু বেলজিয়মনা ইন্দিয়াবু পাঙ্গল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা লেগকী অহানবা মেটচ অদু থা অসিগী ২৪ দা য়ুম্বু ওইরিবা ন্যু জিলেন্দগী ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

## বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ অমসুং বৃটেনগী কাইল এদমুন্দ ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি, নুপীগীদা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*মেলবর্ন, জনুৱারী ২১ঃ*

বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ অমসুং গ্রেট বৃটেনগী কাইল এদমুন্দ চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকি মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।



*নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা বলগেরিয়াগী দিমিত্রোভ*

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা মরিশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

দিমিত্রোভনা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু ৭–৬(৭–৩), ৭–৬(৭–৪), ৪–৬, ৭–৬(৭–৪) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা বৃটেনগী কাইল এদমুন্দগা শান্নগদৌরিবনি।

এদমুন্দনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী এন্দ্রি সেপীবু ৬–৭(৪–৭), ৭–৫, ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা আর্জেন্টিনাগী দেবিদ স্বাটসমেনগা শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৬–২, ৬–৭(৪–৭), ৬–৩, ৬–৩ দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদমক্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা শান্নরগনি।

মারিন সিলিক্না মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ ওইনা শান্নরকপা স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টাবু ৬–৭(২–৭), ৬–৩, ৭–৬(৭–০), ৭–৫(৭–৩) দা থোইরম্বনি।



*নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী দেনমার্ককী ৱোজনিয়াকি*

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ১৯শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী এম রাইবারিকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ইকোম কোম্না ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

ৱোজনিয়াকিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোগা লম্বা তৌনরগনি। নভারোনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইষ্টোনিয়াগী এ কোন্টাভিএটপু ৪–৬, ৬–৪, ৮–৬ দা মায়থিবা পীরমখি।

যুক্রেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ এলিনা স্বিটোলিনানা জেক রিপব্লিককী দি এলরটোভাবু মরিশুবা রাউন্দদা ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা বেলজিয়মগী এলিজি মার্টেন্সকা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনরগনি। মার্টেন্সনা মহাক্কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী পি মর্টিকপু ৭–৬(৭–৫), ৭–৫ তা থোইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমসুং পুরব রাজা অহুমশুবা রাউন্দদা কলম্বীয়াগী জে এস কবাল অমদি আর ফরাগী মখুত্তা ১–৬, ২–৬ তা মায়থিদুনা কলম্বীয়াগী পেয়র অদু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

কলম্বীয়াগী পেয়র অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী পি অন্দুজর অমসুং এ রামোস অহানবা সেটতা মখোয়গী লম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র এস গ্রোথ অমসুং লেটন হেৱিটকা শান্নরিঙৈ গেম ৩–৩ দা লৈরিঙৈদো স্পেনগী পেয়র অদু রিটায়ার্দ তৌখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী হেৱিট গ্রোথকা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র ফিটিং টোন অমসুং পেরেজবু ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## টাটা ষ্টিল মাষ্টর্স চেছকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী আনন্দ রুশিয়াগী ক্রামনিক্কী মখুত্তা মায়থিখ্রে

*ৱিক আন জি, জনুৱারী ২১ঃ*

নেদরলেন্দসকী সিটি ৱিক আন জিদা চথরিবা টাটা ষ্টিল মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্টকী ৭শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিশ্বনাথন আনন্দ রুশিয়াগী শান্নরোই ব্লাদিমির ক্রামনিক্কী মখুত্তা মায়থিবা নংখ্রে।

রাউন্দ অদুদা ইন্দিয়াগী আনন্দনা ইটালিয়ান ওপনিং শান্নবা হৌরকপদা গেম অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা মহাক্কী কিং অদু খোঙফম ফজনা থম্বা হোৎনরকপদা রুশিয়াগী ক্রামনিক্না শিল্লকখিবা লাল্লোং অদুনা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদুগী ৩৬শুবা মুভতা আনন্দ উপায় লৈখিদবদগী রুশিয়াগী ক্রামনিক্না থোইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী আনন্দ পোইন্ট ৪ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরম্বা অদু ক্রামনিক্কী মখূত্তা মায়থিখিবা অদুনা ৬শুবা পোজিসনদা হাইথখি। ক্রামনিক পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোই ৩ গা অনীশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

অজরবাইজানগী শান্নরোই গ্রান্দ মাষ্টর সাক্রিয়ার মামেদিয়ারোভনা মহাক্কী লম্বা চাইনাগী ৱৈ য়িবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মাষ্টর্স কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বি অধিবন রুশিয়াগী মেক্সিম মাটলাকোভকা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১.৫ ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমৈদা লৈরি।

চেলেঞ্জরগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভিদিথ গুজরাথি নেদরলেন্দসকী লুকাস ভান ফোরিসকা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্মি।


## দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেন অমসুং থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*কোলা লুম্পুর, জনুৱারী ২১ঃ*

মালেসিয়াগী সিটি কোলা লুম্পুরদা চথরকপা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেন অমসুং থাইলেন্দগী রাটচাকোন ইন্টানোননা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।




*মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টনগী নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা এজেলসেন (ওই) অমসুং নুপীগী চেম্পিয়ন ইন্টানোন*

অহানবা গেম অদু এজেলসেননা কেন্টাবু য়াম্না কোম্না ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা শোথরবা জপানগী কেন্টা নিসিমোটোগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরকপদগী অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং য়াম্না নক্লবা স্কোরদা ২৩–২১ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরম্লবা মতুং ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা থংনবা পোইন্ট ৩ লৌদুনা গেম অদু ২১–১৮ দা থোইদুনা মালেসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু গেম ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

অহানবা গেম রাটচানোকনা ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোননা ২৪–২২ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র ফজার অলফান অমদি মোহমদ রিয়ান অর্দিয়ান্টোনা মালেসিয়াগী পেয়র গো ভি সেম অমদি টান ৱি কিওংবু ১৪–২১, ২৪–২২, ২১–১৩ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবলসতা দেনমার্ককী পেয়র কামিলা রাইটর ঝুল অমদি কৃষ্টিনা পেদরসননা চাইনাগী পেয়র চেন কিংচেন অমসুং জিয়া য়িফানবু ২২–২০, ২১–১৮ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

অদুগা মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা হোং কোংগী পেয়র টাং চুন মান অমসুং সে য়িং স্বেটনা চাইনাগী পেয়র ঝেং সি ৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংবু ১৯–২১, ২২–২০, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গলগী টিম অনীগী লম্বাদা মোহন বগাননা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবপু পাঙ্গল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগকী ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে

*কোলকতা, জনুৱারী ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কোলকতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মফম অদুগী ক্লব অনীগী লম্বাদা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবসু মোহন বগাননা পাঙ্গল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা হিরো আই লীগকী পোইন্ট টেবলদা মরিশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।



*ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং মোহন বগানগী শান্নরোইশিংনা বোল ফংনবা হোৎনখিবা*

ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মখোয়গী ১১শুবা মেটচ ওইনা শান্নরকপনি। অমরোমদা মোহন বগানগী টিম্না মখোয়গী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ ওইখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী মিনট ২ খক চঙশিল্লকপদা মোহন বগানগী এ দিপান্দনা পাঙ্গল চন্দুনা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবপু মোহন বগাননা মাঙজিল থাদুনা চৎবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী মখা তারকপা পুংখায় অমরোমগী মতমদা ইষ্ট বেঙ্গলনা মখোয়গী মথক্তা মোহন বগাননা চনখিবা পাঙ্গল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ অহানবা হাল্ফকী ৩৫শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল চনবা ঙমখিবা মোহন বগানগী এ দিপান্দনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবপু মোহন বগাননা পাঙ্গল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মখা তাবা হাল্ফ অদুগী মিনট ১০ রোমগী মতম অদু ইষ্ট বেঙ্গল ফনা কন্না হোৎনরবসু মোহন বগানগী পাঙ্গল অনী অদু অমফাওবা হন্দোকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী মাঙওইননা মোহন বগানগী ফুটবোল টিম মেটচ ৯ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১৩ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। নাকল অমরোমদা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লব মেটচ ১০ দা পোইন্ট ১৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি।

কোলকতাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং মোহন বগানগী অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৫ অদুদা পাঙ্গল ২ মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মোহন বগাননা অহেনবা পাঙ্গল হাপচিন্নবা লাক্লরকখি। অমরোমদা ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবনা মখোয়না শোথরিবা পাঙ্গল অনী অদু হন্দোক্লবা অরৈবা পাঙ্গল পুথোরকখিবা অদু উপায় লৈতবদগী মোহন বগাননা মায় পাক্লগা ৪শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

## মুম্বাই মরাথোনদা নুপাগী টাইটল ইথিওপিয়াগী সোলোমোন দেকসিসানা ফংখ্রে নুপীগী অহানবা পোজিসন অদুসু ইথিওপিয়াগী অমানে গোবিনানা লৌখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারী ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী সিটি মুম্বাইদা ঙসি পাঙথোকখিবা টাটা মুম্বাই মরাথোন লমজেলদা ইথিওপিয়াগী সোলোমোন দেকসিসানা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তসু ইথিওপিয়াগী এথলিট অমানে গোবিনানা মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

মুম্বাই মরাথোন লমজেল অসিগী মাঙওইননা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না ফোঙদোক্লখ্রবা ইথিওপিয়াগী এথলিট সোলোমোন দেকসিসানা মরাথোন লমজেল অদু পুং ২ঃ০৯.৩৪ দা পম্বুংফম য়ৌদুনা মকোক ওইখিবনি।



*মুম্বাই মরাথোনগী নুপাগী টাইটল ফংখ্রবা ইথিওপিয়াগী সোলোমোন*

নুপাগী কাঙলুপ অদুদা অতোপ্পা ইথিওপিয়াগী এথলিট সুমিত অলকানোনা পুং ২ঃ১০.০০ দা অনীশুবা পোজিসন অদু ফংখি। লোয়ননা অহুমশুবা পোজিসন অদুনা কেনিয়াগী জোসুৱা কিপকোরিনা পুং ২ঃ১০.৩০ দা লৌখিবনি।

নুপীগী কাঙলুপ্তা ইথিওপিয়াগী অমানে গোবিনানা পুং ২ঃ২৫.৪৯ দা মকোক ওইখি। কেনিয়াগী বোর্নেস কিটুরনা পুং ২ঃ২৮.৪৮ তা অনীশুবা অদুগা অতোপ্পা কেনিয়াগী এথলিট সুকো জে নেমোনা পুং ২ঃ২৯.৪১ দা অহুমশুবা পোজিসন অদু তাখি।

ইন্দিয়াগী এথলিটশিংগী মনুংদা নুপাগী কাঙলুপ্তা থোনাকল গোপিনা পুং ২ঃ১৬.৫১ দা মকোক ওইখি। নিটেন্দর রাৱটনা পুং ২ঃ১৬.৫৪ দা অনীশুবা অদুগা শ্রিনু বুগাথানা ২ঃ২৩.৫৬ তা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়াগী ওইবা নুপীগী মরাথোন কম্পিটিসনদা সুধাস সিংহনা পুং ২ঃ৪৮.৩২ দা মকোক ওইরগা পুং ২ঃ৫০.৪৭ দা লমজেল অদু লোইশিনবা ঙমখিবী জোতি গৱাতেনা অনীশুবা অদুগা পুং ২ঃ৫৩.২৬ তা পরুল চৌধারিনা অহুমশুবা পোজিসন অদু ফংখিবনি।